**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিনা ভারত সংবিধান চৎনখিবগী ৭৫ রক শুবা কুমওন চহি অমা চুপা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) মণিপুরদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাক শেন্নবগীদমক চীং অমস্ং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চখবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

৩) রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা মখা তানা থা অসিগী ২৭ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

৪) অদানি গ্রুপকী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগা মরি লৈননা মরাল শিনরকপদগী সংসদকী সভা অনিদা চরাংনবা থোকখ্রে, সভা অনিগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আই.সি.এ গ্লোবেল কো-ওপরেতিভ কনফরেন্স নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

------

কন্সটিট্যুসন ঃ লৈবাক অসিনা ভারত সংবিধান চৎনখিবগী ৭৫ রক শুবা কুমওন চহি অমা চুপা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম হয়েংদগী হৌগনি। ইং ১৯৪৯ নবেম্বর ২৬ তা কন্সটিটুয়েন্ট এসেমব্লি ওফ ইন্দিয়া শেমখি অমদি ইং ১৯৫০ গী জনুৱারি ২৬ তা ভারত সংবিধান চৎনবা হৌখি।

চহি অমা চুপা চথুগদবা পালন থৌরম অসিদা পায়খৎকদবা থবকশিং পল্লদুনা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনা হায়- সংসদকী সেন্ত্রেল হোলদা হৌদোক্কদবা পালন থৌরমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সংসদকী সভা অনিমক্কী সদস্যশিংদা ৱা ঙাংগনি। শ্রী রিজিজুনা হায়- পালন থৌরম অসি সংসদ খক্তগী নত্তে, লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা থৌরমনি। মসিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া শিন্দুনা পাঙথোকবা মহাকা আপীল তৌরি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী সত্যবর্তানা হায়- সংবিধান দিবস থৌরম লৈবাক অসিদা চহি খুদিংগী নবেম্বর ২৬ তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইং ১৯৪৯ গী নবেম্বর ২৬ তা কন্সটিটুয়েন্ট এসেমব্লি ওফ ইন্দিয়া শেমখি অমদি ইং ১৯৫০ গী জনুৱারি ২৬ তা ভারত সংবিধান চৎনবা হৌখি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমক্কী তুংগী য়াইফবা আশা অমা পুরকপা ওইরসনু

পুলিস (এল) ঃ মণিপুরদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাক শেন্নবগীদমক চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথুবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী লুনখোংজাং রিদজ এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল কন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, লোং রেঞ্জ পোম্পী অমা, লোং রেঞ্জ বোম পোম্পী অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৮, এন্তি রাইওট পিকেট গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোক সেল অমা, রবর বুল্লেট য়াওবা এন্তি

রাইওট কার্টিজ থার্তি আইট এম.এম কর্টিজ অনি অমদি বাউফেং ৱায়রলেস সেট অমা ফাগৎপা ঙমখি। জিরিবাম জিলাগী মোংবুং মীতৈ অমদি মোংবুং কুকি অনিগী তাইনবদা লৈবা বঙ্কর অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইখ্রে। মফম অদুদগী হেন্দগ্রেনেদ অমসু ফংবা ঙমখি।

লম্বী (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী কে. সিনাম অমসুং সেজাং খুলগী মরক্তা লৈবা নুঙ দলালদা নুঙ কিন্থরকপদগী লম্বী ফাওনদনা লৈরিবা অমদু শেংদোকপগী থবক চথুরি। হয়েং নুংথিল ফাওবদদি লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারবা য়াই হায়রি।

লম্বী ফাওনবা য়াদবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল তমা লাক্কদবা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২০০ হেন্না জিরিবামদা পনদুনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান রেলৱেজগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমনা পুন্না দাবা ৮ দা পুরকপা সিমেন্টশিং ঙসি নুংথিল পুং ১ মিনিত ৪৫ রোম তাবদা নোনে জিলাগী খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরে হায়রি।

এআর (এল) ঃ তমেংলোংগী সেক্রেদ হার্থ কেথোলিক চর্চকী সিলভর জ্বিলি ষ্টোন য়ুংবা অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী থবক্তা অসাম রাইফলসনা ঙসি মতেং পাংখ্রে। থৌরাং অসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা মীয়ামগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনবগী শরুক অমনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা কাংপোকপী জিলাগী ভৈতুম খুল্লেন ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সমাজদা নুপীশিংনা লৌগদবা থৌদাং অমদি হৌজিক হৌজিক লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

ফয়ার (এল) ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী লমজিং মখাদা তমেংলোং ফয়ার সব-ষ্টেসন্না শিন্দুনা জিলা অদুগী দুইগাইলোংদা লৈবা জৱাহর নবাদোয়া বিদ্যালায়াদা ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতি মোগ ড্রিল অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরনেট (এল) ঃ  রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা মখা তানা শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি থাগী অসিগী ২৭ কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

খোঙচৎ (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা পুন্না শিন্দুনা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎ অমা ঙসি চৎখ্রে। খোঙচৎ অদু কোংবা বজারদগী হৌরগা লাকপদা কোনুং মমাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৎতুনা হান্নগী মফমদা অমুক হলহনখি। খোঙচৎ অদুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ রাজ্য অসিদগী লৌথোকখিনবা অমসুং নুপী অঙাং হাৎপা লেপবা দাবী তকশিনবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ককচিং (এল) ঃ     বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লৈমরাম লৌকোলদগী শিনা ফংখিবা লাইময়ুম দেবদত্ত মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকপীয়ু হায়বা দাবী তৌদুনা ককচিং জিলাগী ৱাইখোং বজারদা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু লৈখিদ্রবা দেবদত্তগী ইমুং মনুং অমদি ৱাইখোং অপুনবা মৈরা পায়বী, ক্লবনা পুন্না শিনদুনা চথখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী অমনা হায়- দেবদত্তগী মীশিং অসি চিংননিঙাই ওই। মরম অসিনা সরকার অমদি মরী লৈনবশিংনা অচুম্ব পুথোকপীয়ু।

ধারনা (এল) ঃ জিরিবাম জিলাদগী নুপীমচা য়াওনা অঙাং অহুম অমদি নুপী অহুম পুন্না মীওই ৬ ফাখ্রবা মতুং মীহাৎ থিনা হাৎখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা উরিপোক অপুনবা লুপ অমদি উরিপোক নুপী অপুনবা লুপনা শিন দুনা চথুরিবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং ঙসিগা নুমিৎ ১০ নি শুখ্রে। খোঙজং অসিদা ঙসিসু লমফেল সনা কৈথেল, উরিপোক পোলেম লৈকাই, খ্বায় ব্রহ্মপুরগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মখা তানা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখি।

সিফাই (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমসুং খুরাই অহোংগৈ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থমবা হোৎনরকপবু লমদম অদোমগী মীয়ামা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। খুরাই থাংজম লৈকাই, খুরাই অহোংগৈ, থৌদাম লৈকাই অমসুং লমলোং এরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী লুপশিংনা খোঙথাং অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাংদগী হৌনা নেসু গ্রাউন্দগী গেটতা নুমিৎ খুদিংগী অহিং য়ারেক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

তমেংলোং (এল) ঃ মৈখু শিজিন্নবা, য়ু থকপা অমসুং ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা তমেংলোং জিলাগী ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা জিলা অদুগী জ্বেনাইল জষ্টিস বোর্দকা খুৎশমরগা শিনখিবা থৌরম অদুদা বোর্দ অসিগী মেম্বর দেনিয়েল পি. কামসোন্না নিশা শিজিন্নবনা ওইহল্লকপা মাংজবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে। হয়েং মীফম লৈরোই, সভা অনিমক্কী মীফম য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী অমুক মখা চথুগনি। অদানি গ্রুপকী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগা মরি লৈননা মরাল শিরকপদগী চরাংনবা থোক্তুনা রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি। হান্না

মীফম য়েথোক্লুরগা অয়ুক পুং ১১ মিনিট ৪৫ দা অমুক হন্না মীফম হৌবদা চরাংনবা থোক্লকপদগী চেয়ারমেন জগদিপ ধনখরনা মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি। মদুগী মমাংদা, ঙসিগী মীফম হেক হৌবদা বিরোধিনা অদানি গ্রুপ অমসুং অতৈ ৱাফম কয়াদা পুখৎলকপা এদজোর্নমেন্ট মোসনশিং চেয়ারমেননা লৌখিদে।

লোক সভাদসু চরাংনবা থোকপদগী মীফম অহানবগী ওইনা য়েথোক্লুরবগী তুংদা অমুক ফম্বা হৌরকপদা কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্তি, দি.এম.কে অমসুং অতৈ দলশিংনা অদানি গ্রুপকী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা মরাল শিরকপদগী চরাংনবা থোকখি। মীফম অমুক হৌবদসু মখা তানা চরাংনবা থোকপদগী নোংমগী ওইনা মীফম য়েথোকখি। মরক অসিদা, ঙসি সংসদকী মীফম হৌবা নুমিৎতা বিরোধি দলশিংনা চরাংনবা থোকহন্দুনা মীফম নিংথিনা চথুবা য়াহন্দববু বি.জে.পিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সংসদকী মপানদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দলগী মকোক থোংবা লুচিং রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়- বিরোধিশিং অসি মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলদা চাউনা মায়থিবদগী নীংবা কায়রে। মহাকা হায়- মখোয়না সংসদতা চথুরিবা থৌওং অসি হৌনদবনি।

বিরলা ঃ সংবিধানদা শিংনরকপা কয়া লৈরে হায়বা ৱাফম লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা য়াখিদ্রে। মহাকা হায়- ৱাফম অসি রাজনীতিগী অখুবা মীৎয়েংদগী য়েংলোইদবনি। সংবিধান নুমিৎকী মাংওইননা অকাশবানি নিউজগা অখন্ননা উন্নবদা শ্রী বিরলানা হায়- সংবিধান অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগীনি অমসুং খুন্নাইগী মীপুম খুদিংমকা মসিদা থাজবা থল্লি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা আই.সি.এ গ্লোবেল কো-ওপরেতিভ কনফরেন্স নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসি হৌদোকখ্রে। ইন্তরনেসনেল কো-ওপরেতিভ এল্লায়েন্সকী চহি ১৩০ গী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা মীফম অসি ভারত্তা পাঙথোকপনি। মীফম অসিদা ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি অমদি ফিজিগী উপ-প্রধান মন্ত্রিসু শরুক য়ারি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- মীফম অসি ইন্দিয়ান ফারমরস ফর্তিলাইজরস কো-ওপরেতিভ লিমিতেদনা আই.সি.এ অমসুং কেন্দ্র সরকারগা খুৎশমরগা শিনবনি। ইন্তরনেসনেল কো-ওপরেতিভ এল্লায়েন্স অসি ইং ১৮৯৫ দা হৌদোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা কো-ওপরেতিভ এন্তরপ্রাইস লাখ ৩০ লৈরে। মসিগী মেম্বর কোতি চামা হেল্লে।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- কো-ওপরেতিভ ইহৌদা ভারত অসি মালেমগী লুচিংবা অমা ওইরক্লি।

মহাকা হায়- কো-ওপরেতিভ সেক্তর অসি শেনমিৎলোন ফগৎহনবা পান্বা মীয়ামগী পুকিং থৌগৎনবা মচাক অমা ওইবতা নত্তনা লৈবাক্কী অপুনবা শেনমিৎলোনদা মখোয়বুসু তিলহনবদা মতেং ওইবা ইহৌ অমনি।

মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সহকার সে সন্ত্রিধি হায়বা মন্ত্র অসিনা লৈবাক অসিগী কো-ওপরেতিভ ইন্সটিট্যুসনশিংবু মশা মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লে। কো-ওপরেতিভকী ইহৌ অসিনা শেল কা হেন্না পায়জদবা মীওইশিংদা শেল তুংশিনবগী ইহোদা অওনবা পুরকপা ঙমহল্লে।

এন.কে. সিংহ ঃ ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চেয়ারমেন, এন.কে. সিংহনা লৈবাক অমা, মীখল অমা হায়বা ব্রাখল্লোন শৌগৎলি হায়রি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী শেল থুমগী গ্রোথ হেনগৎহন্নবা অমসুং রাজনীতিগী তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈহন্নবা লৈবাক অমা, মীখল অমগী ব্রাখল্লোন অসি থবক্তা ওন্থোকপা তঙাইফদে।

গীরি রাজ ঃ কেন্দ্রগী টেক্সতাইলস মন্ত্রি গীরি রাজ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী পোত্থোক কয়া অমদসু জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি.আই) টেগ পীনবা সরকারনা য়েংশিল্লি। নিউ দিল্লিদা জি.আই এন্দ বিয়োন্দ সম্মিৎতা ব্রা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- হান্না শক খঙলবা পোত্থোকশিং জি.আই টেগ পীনবা খন্দোকপা তঙাইফদে।

বঙ্গলাদেশ ঃবঙ্গলাদেশতা মী ১১ অমসু দেঙ্গিনা শিরে। মসি কুমশিগী ওইনা দেঙ্গিদগী নোংমদা শিবা খ্বাইদগী য়াম্বনি। লৈবাক অসিদা চহি অসিগী জনুৱারিদগী হৌজিক ফাওবা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ৮৬,৭৯১ থেংনরে। হৌজিক হৌজিক লিশিং ৩,৭২০ হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

অম্ফা (এল): ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ দা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মেনেজরশিংগী মিতিং লমলোং থোংখোঙদা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৮ গী অয়ুক পুং ১০ দা পাঙথোক্কনি। মীতিং অসিদা মেনেজরশিংনা শরুক য়ানবা অম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অমরোমদা, ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী মেনেজরশিংগী মীতিংসু নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ অসিদা পাঙথোক্কনি। মেনেজরশিংনা মীতিং অসিদা মতম চানা শরুক য়ানবসু অম্ফাগী চেরোল অমনা মখা তারি।

ক্রিকেট ঃ মুম্বাইগী এম.সি.এ গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা টি-ত্বেন্তি সায়েদ মুস্তাক আলি ত্রোফিদা ঝারখন্দনা মণিপুরবু রন ৮৮ দা থোইখ্রে। ঝারখন্দনা রন ২৪৩ লৌখিবগী পাউখুমদা মণিপুরনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫৫ লৌখি। মণিপুরগী কাঙাবম প্রিয়োজিৎনা আউট ওইদনা রন ৬৫ লৌখি।

ফুটবোল ঃ ইন্দিয়ান সুপর লিগ ফুটবোলদা হাইদ্রবদা এফ.সিগা উরিষা এফ.সিগা হাইদ্রবাদকী জি.এম.সি বালায়োগি এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মনা হৌজিক শান্নরি। লিগ অসিগী ঙরাং কোচিগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ.সিনা চেন্নায়িন এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

------